ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯵, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, এপ্রিল ২৫, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ৩৩ শুবা মশীং

আইমোল ট্রাইবকী ৱাথোক

নমদুনা কাঙলূপ ওলহন্নবা থৌশিলগী মায়োক্তা লেপমিন্নসি

আইমোল ট্রাইব হায়বসি ইন্দিয়াগী ষ্টেট অহুমদা মীশিং য়ামদনা খুন্দারিবা কাঙলূপ অমনি। মিজোরাম, ত্রিপুরা অমসুং মণিপুরদা আইমোল ফুরুপকী মীওই খরা খুন্দাদুনা লৈরি। মরুওইনা মণিপুরদা ট্রাইব ২৯ লোম লৈ। ট্রাইব ২৯ অসি কনাগুম্বা খরনদি নাগা অমসুং কুকি হায়দুনা কাঙবু অনীখক খায়দোকই। অদুবু ট্রাইবশিং অসিগী মনুংদা খরদি মখোয় নাগাদসু তিন্নিংদে, কুকিদসু য়াওনিংদে হায়জে। মখোয়গী মনুংদা পাইটে অমসুং আইমোল হায়রিবা ফুরুপ অনীসি য়াওই। মণিপুরদা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম খরদা মীওই ২,৫০০ দগী ৩,৫০০ ফাওবা খুন্দারি হায়না পানরি। য়াম্না পিকপা ফুরুপ ওইবা মরম্না আইমোল হায়রিবা কাঙলূপ অসি মপাঙ্গল ফুদোক্না পানবা ঙমদে। অদুবু মতম কুইরবগী মমাঙদগী হৌনা মখোয়না কুকি ফুরুপ্তসু তিন্দবা, নাগা কাঙলূপকী মনুংদসু য়াওদনা মশাগী শক্তম ঙাক্তুনা লাকখি। অদুবু লাইবক থীবদি তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপ কয়ামরুম পূনশিল্লগা শেল্লিবা নাগা হায়বা অপূনলূপ অসিদা আইমোল ফুরুপসু তিলহন্নবা মখল-মখা কয়াগী শাফু পীরগা লাক্লি। মণিপুরগী পুৱারীগী লাতম হাংদোক্তুনা য়েংবদা মণিপুরদা নাগা হায়বা ফুরুপ অমা লৈরমদে। বৃটিশনা মণিপুর লৌখ্রবা মতুং ফাওবদা তাঙ্খুল, মাও, মরাম, কবুই, মরিং, অনাল অমসুং পুরুমনচিংবা হায়না তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপশিং ওইনা লৈরম্মী। কুমজা ১৯৮১ দা বৃটিশনা মণিপুর লৌশিনখ্রবা তুংদা সদর হিলস নত্তনা চীংগী শরুক মখে বৃটিশকী লৈঙাক মখাদা থম্লম্মী। অদুগা সদর হিলস অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংনা নিংথৌগী লৈঙাক মখাদা লৈহল্লম্মী। মসিনা মরম ওইরগা হৌজিক্তা চীং অমসুং তমগী তোখায়বা লো অমমম চলাইদুনা ওন্থোকপা ফিভম অমদা লৈরিবসিনি। বৃটিশ হনখ্রবা তুংদা অপিকপা কাঙলূপ মচাশিং অচৌবা কাঙলূপনা য়োৎশিন্ননবা হোৎনরকখি। বৃটিশনসু ৱায়েল-থৌদাবদা নুংঙাইননবা মণিপুরগী ট্রাইবশিংবু কুকি অমসুং নাগা হায়দুনা অনীখক্তমক খায়দোল্লগা থম্লম্মী। মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না নাগালেন্দদা এন এস সী এন (আই-এম) শেম্লকখি। আই এমগী লূচিংবশিংনা নাগা হায়বা অপূনলূপ ওইবা কাঙলূপ অসি শেমগৎপা হৌরকখি। নাগাগী কাঙলূপ্তা তিল্লু হায়বা য়াদবা কাঙলূপশিং চৈরাক পীবা হৌরকখি। শম্না হায়রবদা নোংমৈ চিন্দোনদা নাগাগী ফুরুপ অসি শেমগৎলকখিবনি। হান্না কুকি ওইনা লৈরম্বা কয়াসু নাগাগী ফুরুপতা নমদুনা তিলহনখিবগী ৱাফম লৈরি।

বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চৎখ্রবা তুংদা ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন শেম্মনবগী অখন্নবা থৌরাং অমা মতমদুগী হোম মিনিষ্টর সরদার বলাভ ভাই পটেলগী মখাদা লৌখৎলকখি। তোঙান-তোঙানবা নিংথৌ পানবা লৈবাক কয়ামরুম নমদুনা নৎত্রগা মশানা য়ানিংনা ইন্দিয়ন য়ুনিয়নদা তিলহনবগী কেম্পেইন অমসু চথুখি। মদুগী মতুং ইন্না হৌজিক ওইরিবা ইন্দিয়ন য়ুনিয়নগী ফিভম অসি লাকখিবনি। ইন্দিয়া মপূং ফাবা রিপল্লিক অমা ওইরে হায়না লাউথোক্লবা মতুংদা ডিমোক্রেসিগী মচাক পূম্নমক তপ্প-তপ্পা শেমগৎপা হৌরকখি। ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী মখাদা লৈবাক অসিদা খুন্দারিবা ফুরুপ খূদিংমক মনীং তম্না মানা-মানা চৎনিংবা লাইনিং লন্বী চৎচবগী মনীং তম্বা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসননা পীরে। মসিগীসু মথক্তা অচৌবা ফুরুপ্না ফুরুপ মচাশিংবু য়োৎশিনবা য়াদনবা তোখায়বা লো কয়ামরুম অমসু শেল্লগা লৈরে। অসিগুম্বা লো অমা লৈনা-লৈনা এন এস সী এন (আই এম) নি হায়জবা কাঙবু খরনা মণিপুরগী খা থংবা শরুক্তা খুন্দারিবা আইমোল ফুরুপ্পু নাগা হায়বা কাঙলূপকী মনুংদা তিনগদবনি হায়বা ৱাফম অসি লৈবাক অসিগী কনষ্টিট্যুসনবু শীংনবনি হায়না লৌদবা ঙমদে। কনাগুম্বা মীওই অমনা মহাক্না চৎচবা লাইনিং লীচৎ নৎত্রগা কাঙলূপ অদুদা অদুম লৈজগে হায়বদা কনামত্তনা অথিংবা পীবা য়াদে। মসিনি লৈবাক অসিগী ডিমোক্রেসিগী মচৎ হায়বদু। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, ইম্ফালদা নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা পাউচেশিংদা মণিপুরগী খারোমদা মশীং য়ামদনা খুন্দারিবা আইমোল ফুরুপ্পু এপ্রিল ১৭তা দিমাপুরদা জি পি আর এনগী ভাইস প্রসিদেন্টগী ওফিস সেক্রেটরি জোন্না থোকখিবা য়াথং অমনা আইমোল ট্রাইব নাগা ফুরুপ্তা তিল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে। ৱাফম অদু আইমোল ট্রাইব য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট টি আর অখেল আইমোলনা য়াম্না কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা আইমোল ফুরুপতি অতোপ্পা ফুরুপ্তা তিঞ্জরোই, আইমোল ওইনা ঈংন-চিক্না লৈজগে হায়খিবা ৱাফম অসিনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা অচৌবা ফুরুপ্না মচা য়োৎশিনবগী কাঙলোন চথুরি হায়বা ময়েক শেংনা তাকই। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফমদা এম এল এ কে রঞ্জিৎনা হংখিবা ৱাহং অমদা হোমগী থৌসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্নদি ৱাফম অদু ওফিসল ওইনা ৱাকৎলকপগী ৱাফম লৈতবদৌনা হায়খি। হন্দক্কী মতাং অসিদদি লৈঙাক্না তুমিন্না লৈশিনবা চুল্লোই। মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ডিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অসিদা খূৎলায় পায়বা কাঙবু অমনা হৌজিকসু অপিকপা কাঙলূপশিংবু অচৌবা কাঙলূপ্তা তিনগদবনি হায়দুনা কেম্পেইন চথুরিবসি মীওইবা খুন্নাইগী লীচৎ নত্তে। লৈবাক অসিগী লোনসু য়াদে। লৈঙাক্না য়েংশিল্লু।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

মণিপুরগী ফোক দ্রামা ফেষ্টিবেল

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মার্চ ২৫, ২০১৮দা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন্না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরদগী তেংবাঙ খরা লৌজদুনা মমাঙ চহী কয়াদগী চথরল্লিবা মণিপুর ফোক দ্রামা ফেষ্টিবেল এম দি য়ু হোলদা হৌদোকখ্রে। পুং ৩দগী হৌখিবা মরুওইরিবা ফঙ্কসন অদুদা ইকায়খুম্নজরবা এম এল এ ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নাম্না চীফ গেষ্ট, এম দি য়ুগী প্রসিদেন্ট এ খেরগোপালনা প্রসিদেন্ট অমদি আই এস কাংজম, প্রসিদেন্ট ক্রিটিক ফোরম্না গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা চীং লেপ্লবা থৌরম অদু হৌদোকখি। থৌরম অদুদা এম দি য়ুগী সেক্রেটরি পি সেতুনা ৱেলকম এদ্রেস পীবগা লোয়ননা কি নোট এদ্রেসগুম্বা ৱারোল ঙাঙলদুনা ফোক দ্রামাগী মরমদা হৌজিক্কী মতম অসিদা ওইরিবা কয়া পনখি। ইকায়খুম্নজরবা ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নাম, এম এল এ অমসুং মণিপুর ইন্দষ্ট্রিয়েল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ অমসুং মণিপুর ইলেক্ত্রোনিক দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চেয়রমেনসু ওইবিরিবনা ৬শুবা ওল মণিপুর ফোক দ্রামা ফেষ্টিবেল, ২০১৮গী সোভিএনরসু ফোঙদোকপীখি। গেষ্ট ওফ ওনরগী ৱারোলদা আই এস কাংজম্না ঙসি ফাওবদা এম দি য়ুনা পাঙথোকপা থৌরম কয়াদা য়াওহনবীবা অমদি এম দি য়ুনা হৌজিক হৌজিক শেল লৈবা লৈতবা অমসুং সেন্তরগী কলচরগী মিনিষ্ট্রিদগী মতেং ফংবা ফংদবা থিদনা ফোক দ্রামা ফেষ্টিবেল অসিবু চহী খুদিংগী পাঙথোল্লিবা অসি থাগৎনীংঙাইনি হায়খি। চীফ গেষ্ট ওইখিবা ডা. রাধেশ্যামগী ৱারোলদসু ইন্দিজিনসকী ওইবা মণিপুরগী কলচরদা মণিপুরগী এম দি য়ুনা পূক্নিং চংলিবা ফোক দ্রামা ফেষ্টিবেল অসি মৈতৈগী নত্তনা মণিপুরদা লৈবা কাঙলূপ কয়ানসু মশা মশাগী লীরবা মৈহৌরোলগী আইদেন্টিটি ঙাক্ননবা হোৎনরিবশিংসু পূক্নিং থৌগৎনীংঙাইনি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া থমখিবগা লোয়ননা ফেষ্টিবেল অদুগী অহানবা লীলা 'পিদোন্নু' উৎখি। কুমজা ১৯৮২ রোমদগী এম দি য়ুগী মেম্বর ওইরল্লবা ঐচ দেবেন্না লৈখিদ্রবা ঐচ তোম্বনা ইবা পিদোন্নু কৌবা ফোক দ্রামা অদু মশানা অহানবা ওইনা দিরেক্সন পীদুনা মশামক দ্রামা অদুদা য়াওদুনা শান্নখিবা থোইদোক্না শিংথানীংঙাই ওইবা অহানবা হৌদোকপা নুমিৎকী মতিক চারবা ফোক দ্রামা হায়বদু ওইখ্রে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্মা

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭০

১। ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী নিংথৌশিংনা ফাখিবা কৈশিংগী মনুংদা তৌবুলদা ফাখিবা কৈ অদুনা খ্বাইদগী চাউই হায়নরি।

(ক) করম্বা নিংথৌনা কৈদু ফাখিবগে?

(খ) কৈদু ফুট কয়া শাংবগে?

২। "কিগনু/লিন নত্তে/ঐগী কবিতানি/ঙাইহাক্তা থনমগে নঙোন্দ।" পরেংশিং অসি কবিরত্ন লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। কবি থাংজম ইবোপিশকপু মণিপুরী শৈরেংগী লানলুম্বা কবি হায়না অইবা অমনা কৌখি। অইবদু কনানো?

৪। "নবুক অদুক ফত্তবদি/নহাক্কী ফি মখে লৌশিল্লগা ঐগী ফনেক্তুনা চোৎহল্লবনি।... কৈদৌগে ঐগীসু চৈ অমত্তনা ওইরবসু... লৌশিনবীরম্বা য়াইদনা।" পরেংশিং অসিনা 'অধিকার মান্নবা' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। 'ঐগী দায়রিদগী' কৌবা নীংশিং ৱারী লাইরিক্তুগী অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পেন্দবগী ৱামৈ

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিঙোম্বা

মণিপুরসি পেন্দবা মপান শারে। পেন্দ্র-পেন্দ্রবা ময়াম অমা থোরক্লে। অসুক য়াম্না পেন্নরম্মোই হায়বসি থাজরুদে। অদুবু ফনা নীংথিজনা পেন্নরমদ্রে। পেন্নদবা ময়াম্না চোঙথোরক্তুনা পেন্দবা ৱাকৎ মীফম ফম্বা, পেন্দবা খোল্লাউ লাউরকপা, পেন্দবা খোঙচৎ চৎলকপা পেন্দবা নাওরি, পেন্দবা নূংদুম কয়া লংলকপা মীৎনা উরে। অসুক্কী মতিক পেন্নদ্রে। ময়ূমদা চরা হেল্লবা, মফি শেৎনীংঙাই লৈজদ্রবা, ইশম শম্না হায়রবদা শেৎপা চাবা মনীং থুংজদ্রবা কয়া অমা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা পেন্দনা লৈরি। লৈরিবা ময়াম অসি নোংমতা ঐ পেন্দ্রে হায়দুনা সরক্তা থোরল্লগা লাউ খোংলদে, মাগী পেন্দ্রিবা কয়া অদু মেনখৎনবা খা-রাই খঙদনা কোয়চেন চেন্দুনা হোৎনরি। লৈশাবীনা পাখঙ মীনম্বা, পাখঙনা লৈশাবী মীনম্বা, মীনম্বশিং অদুগী থম্মোয়দো অসুক্কী মতিক পেন্নদে হায়বসি ৱারী লাইরিক্তা থেংনৈ পেন্নদবগী ৱারী। অদুবু মখোয় পেন্দ্রে হায়দুনা মচি মচিদা অদুক তুমিন উংদুনা অৱা মৈচাক খাংজবা নত্তনা নৎত্রগা লন্বী সরক্তা লাউ খোংবফাওদি অমুক্তা তৌদ্রি। মখোয়গী পেন্দবদুনা মতা অমনি।

হৌজিক মীয়াম্না পেন্নদবগী ওমদুনা থম্নরিবসিদি ওন্থোক্না ময়াক কল্লি, খুন্নাই অমা তুম্না মাঙখিবা য়াবগী অকিবা য়াওই। নহা-অহল, নুপী-নুপা অমত্তা খাইদ্রে। মথম্মোয় মথম্মোয়দা ওমদুনা লৈনরিবনি। হৌখিবা চহী অমা অনীগী মমাঙদা মৈ হৌখে চাল্লমদৌরবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা অসিদা তুমিন য়ৈশিন্দুনা লৈরিবসি, নোংমা খঙহৌদনা মৈ ব্রং হৌরকপা য়ারিবনি। মৈতৈ পাউরৌদা হায়নবা লৈবনি, **নুপী অঙাং লৌরি য়ূম্ফম** হায়দনা। মরীল ফরে হায়বা অমত্তনা মাগী নুপী অঙাংদা কারন তাবা, মীগী লৌরি য়ূম্ফমদা কারন ফুজিল্লকপা য়াবা নত্তে। শোনগেরা-কনগেরা খুদৈ তাখৎনা পাম্বোম থেক্কৎতনা হেক্তা থোরক্কনি। লমগা হেল্লু য়াপোত্তে। কুইরে মণিপুরদা মীতোপ মীয়ানচাগী ৱাফমসি অচৌবা ৱাফম অমা ওইনা লাক্লিবসি। কুমজা ১৯৮০গী মমাঙ আ মমাঙদগী হৌনা মীয়ামগী থম্মোয়দা লমদম অসিদা হোংলক্লিবা য়ূমলিং খুলিংবা অমদি পুন্সিরোলদা শিংনরকপা কয়াগী মতাংদা ওমদুনা লৈরকপা। মদু কুমজা ১৯৮০দা মৈগী চীং পোকখায়রক্তুনা **গো বেক ফোরেনর** হায়বা ঈহৌ হৌরল্লিবসি। ঈহৌসি মমাঙদসু অদুম লৈখ্রবনি অদুবু অকনবা ঈহৌ অমা ওইনা কুম অসিদা মহৈরোয় লূপ অনী - এমসু অমদি এ এম এস সী ও সীনা ঈহৌ অসি কন্না হৌরকখিবনি। মসিদা মহৈরোয় অনী লুখোই অমদি প্রেমানন্দা লৈখিদবনি। লাকচনীংবা ৱারমদি ঈহৌ অসি ঙসি ঙরাংগী ঈহৌ নত্তে। মীতোপ মীয়ানচা চঙলকপদা অপীকপা ফুরুপ অসিগী তুংলমচৎ য়েংলগা মমাঙঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা চৎনদুনা লাক্লবা ফোরেনর পার্মিট হায়বা অমসু চৎনদুনা লৈরম্মিবনি। হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলগদি মতম খরগী মতুংদা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা অঙকপা ফংনা হেনগৎক্কদবা মশীং অসি করম্না থিংহৌবা য়াবগে হায়বগী কাঙলোন অমা শেমসি হায়বনি। ৱাফমসিমদি তশেংনা অফবা ৱাফমনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু ঈহৌ অসি অরিবা ঈহৌনি হায়বসি মুন্না খঙনরিবা ঙাক্তনি। হৌজিক গভর্ণমেন্ট পায়রিবা গভর্ণমেন্টখক্কী ৱা নত্তনা মমাঙ মমাঙদা পায়রম্লবা গভর্ণমেন্টকী মনুং চন্না লৈরম্বা সেনিয়র পোলিটিসিয়নশিংনসু মসি লোইনা খঙবা ঙাক্তনি। ঙরাং নহান্তা থোরকপা ঈহৌ অমা নত্তে।

মমাঙদা লৈরম্বা গভর্ণমেন্ট অদুনা আই এল পিগী বিল অহুম পুথোক্তুনা পাস তৌখিবা লৈখ্রে। বিল অদু ত্রাইবেলশিংগী ইন্টরেষ্ট শোকই হায়দুনা চৎনবা য়ারোই হায়বদগী মীশি মীনা কয়ামা থোক্তুনা অরুবা ফীভম অমদা লাকখিবনি। অনৌবা গভর্ণমেন্ট লাকখ্রে। মদুগী মতাংদা লৈরম্বা য়ানদবা চূড়াচান্দপুরগী ৱাফম তেনশিনখ্রে। মদুগী মখা তাবদা ঈহৌ অসি লোইরে হায়না লৌবা লাল্লি। হৌজিক আই এল পিগী ইস্যু অসি মনুংদা ওমদুনা শোয়দনা লৈফম থোকই। চীংগী লুচিংবশিং অমদি তমগী লুচিংবশিং ফম্মিন্নদুনা মণিপুর কন্নবগী ৱা নীংথিনা তানরি হায়বগী পাউ লৈরি। গভর্ণমেন্ট অসিনসু মৈ হৌখ্রবা ইস্যু অসিগী মতাংদা মকা ফোংনা থবক লৌখৎলকপমক্তি উদ্রগসু শোয়দনা খন্নরমগনি, করম্না য়েলহৌমী কন্নবগী থৌরাং পায়খৎকনি হায়না। হৌজিক মীয়ামগী ঈহৌ অমা ঙাইবগুম তৌবা মানবা অমা লৈরিবা অসিদগী খরা থৈদোল্লগা চৎনবা য়াবা থৌরাং অমা লৌখৎলক্লবদি গভর্ণমেন্ট অসি মতম চূপ্পগী ওইনা শিংথানদুনা লৈহৌগনি, লোয়ননা লমদম অসিগী শক্তম কন্দুনা থমহৌবদা অচৌবা উপাই অমা ওইগনি। মতাং অসিদা গভর্ণমেন্টকী ওইবা ৱাফমদি মকা ফোংলকপা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি থেংনদ্রি। মীয়ামগী থম্মোয়দা লৈরিবা মীপাইবা হৌজিকসু মাঙদ্রি। নুমিৎ খুদিংগী মপানগী চে চাং শুদবা মীতোপশিং চঙশিল্লকপা লেপত্রি। ময়াংনা মৈতৈ নুপী লৌরগা মৈতৈ য়ূম্নাক ওল্লে হায়বা পাউদি লৈরে। কয়াদা নুংঙাইখ্রবা মতৌনো? অসিগুম্বা নাতৈ হুক্তবা থৌদোক অসিগুম্বা কয়া অসিনা তুংদা করি কায়রক্কদগে হায়বসি ময়াংদা ময়ূম পাল্লিবশিং অমদি মখোয়গী অহল-লমনশিংনা খঙগদবনি। মসিসু মীয়ামগী পেন্দবগী মনুং চল্লি হায়বসি খঙগদবনি, মমৈদা পেন্দবা পোকখায়রকপদা মখোয়দা হান্না ওনশিল্লক্কনি হায়বসি খঙফম থোকপনি। ময়াংদা ময়ূম পানবা মশাগী অপাম্বনি পাঞ্জৌ, নুপা মনাক্তা চৎখো, ময়াং ওনখো। লমসিদা য়াওং ইনবগী টাইপ্তা ময়াং পুশিল্লক্তুনা হেন্না ময়াংগী চাদা নাওদা শন্দারকপগী মওংদুমদি য়াফম থোকপ্রা হায়বসি খন্নবা য়াই। ময়াংদা ময়ূম পানবগী চাংসু হৌজিক্তি য়াম্না হেনগৎলক্লি। মপান্দা লাইরিক তম্বা চৎখিবা কয়া অমা ময়াংদা ময়ূম পানবা হেনগৎলক্লে। মসি থোইদোক্না অফবদি ওইদে, অদুবু মীগী অপাম্বদদি থিংলুবা য়াদে। মশানা খঙজগদবনি। ঐগী রাইটনি হায়দুনা কা হেনজিন্না ময়াংদু অমুক মৈতৈ য়ূম্নাক্কা ওন্দুনা শ্বাইদা য়ূমলিং খুলিংদুনা লৈশিল্লেগাইনা হায়বসিদি লৈরিবা ফীভম অসিদদি খুন্নাইসিবু চাউনা শিংনবনি করম্না হায়রোইদৌরিবনো?

আই এল পিগী ৱাফম অসি তরাইনা লৌবা য়ারোই। ঈহৌ অসি লুপথদ্রি, অহিংবা ঈহৌ অমা ওইরি। তৌবতবু ঈহৌ হায়বসিদি অমুক তপথবা অমুক য়াঙখৎপা লৈ। মসিদি ঐখোয়গী শ্বাইদদা নত্তে, পূম্নমক্তনি। গভর্ণমেন্টনা ঈহৌ অসি নেমথখ্রে হায়না তুমিন্না লৈশিনবা চুমগনি নীংদে। মনুংদা হোৎনরিবা অসিদগী খরা হেন্না য়াঙশিন্না হোৎনবীদুনা লমদম অসিগী তুংলমচৎতা লাক্কদবা খুদোং চারোইদবা কয়াদগী মতম চানা ঙাকথোকহৌনবা হোৎনহন্নীংই। নত্তদুনা তুমিন লৈনখ্রে হায়না অমুক তুমিন লৈশিল্লবদি ঈহৌ অসিনা অমুক হিংগৎলকপা মতমদা মমাঙদা থোকখিবা অদুদগী হেন্না খুদোংথিবা, নাতৈ চাদবা কয়া অমা শোয়দনা লাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ, মরমদি ঈহৌ অসিগী মৈশা মীপূম খুদিংগী থম্মোয়দগী ঈংথদ্রি। পেন্দবগী ৱামৈ ওল্লি। ৱামৈসিনা মৈরি থোরকপদদি মৈরম থৎপা ঙমদবগী অৱাবা অমা মায়োক্নরকপা য়াই।

অশোকপা মফমবু থুনা ফহনবা ঙম্বা বেন্দেজ

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

অশোকপা মফম অমা থুনা ফহনবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। লান্থেংনরিবা লান্মী অমদি দাইবেটিসনা নারবা মীদনা হেন্নমুক খুদোংথিনীংঙাই ওই। অদুনা মতম চানা অমসুং চাং নাইনা হীদাক থাদোকহনবা ঙম্বা বেন্দেজ শাবগী মথৌ তারকই। অসিগুম্বা স্মার্ট বেন্দেজসি **য়ুনিভর্সিটি ওফ নেব্রস্কা-লিঙ্কন, হরভর্দ মেদিকেল স্কুল** অমসুং **মসাচুসেটস ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি)** না পুথোকখ্রে হায়বগী পাউদম অমা **এদভান্স ফঙ্কসনেল মেটরিএলস**তা ফোঙদোকখ্রে। অতোপ্পা অমনা **ইনষ্টিট্যুট ওফ এদভান্স ষ্টদি ইন সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি (আই এ এস এস টি), গুৱাহাটি**গী থিজিল্লোয়শিংনা পুথোকপগী মতাংদা এ সী এস সষ্টেনেবল কেমিষ্ট্রি এন্দ এঞ্জিনিয়ারিংদা ফোঙদোকখ্রে।

নেব্রস্কাগী স্মার্ট বেন্দেজসিদা ইলেক্ত্রিক করেন্ট চেনবা ঙম্বা ফাইবরশিংনা জেল অমদা নপশিল্লি। মসিদা এন্টিবাইওটিক, টিস্যুশিং থুনা শেমগৎপা ঙম্বা পোৎ (গ্রোথ ফেক্টর), চিকপা ফনবা অমসুং অতৈ অতোপ্পা হীদাকশিং হাপ্পী। লোয়ননা পোষ্টেজ ষ্টাম্পমুক চাউবা, স্মার্টফোন অমনা কন্ত্রোল তৌবা মাইক্রোকন্ত্রোলর অমগী মতেংনা ফাইবরশিংদুদা য়াম্না পীকপা করেন্ট থাজিল্লি। করেন্টসিনা ফাইবর অমসুং জেলদুবু শাগৎহন্দুনা হীদাকশিং চাং নাইনা থাদোকহল্লি। থিজিল্লিবশিংনা ইহান হানবগী ওইনা দাইবেটিসনা নারবা মীশিংদা থোকপা অশোক-অপনশিংবু থুনা ফহন্নবগী অপাম্বা থল্লি। দাইবেটিসনা নারবা মী অমদা থোকপা অশোকপসি ফজিনবগী চাং য়াম্না হন্থে। সেন্তর ফোর দিজিজ কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী মতুং ইন্না য়ু এসতা দাইবেটিসনা নাবগী চাংসি কুমজা ২০৫০দদি শরুক অনী নৎত্রগা অহুম্মুক হেনগৎলক্কনি হায়না পারি। অমেরিকা মচা মিলিয়ন ২৫ হেন্না অসিগুম্বা অশোকপগী ফীভমসি মায়োক্নরি হায়নসু পল্লি। অদুনা অসিগুম্বা মখলগী বেন্দেজ পুথোকপা হায়বসি য়াম্নমক মরুওই হায়না নেব্রস্কাগী মেকানিকেল এন্দ মেটরিএলস এঞ্জিনিয়রিংগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর অলি তমায়োলনা ফোঙদোক্লি।

লানবুংদা লান্থেংনরিবা লান্মীদা মখল-মখা কয়াগী অশোক-অপন নংই। নোংমৈ মরূনা পানবদগী শোল্লবা মফমশিংদা মহীক চঙলকপদগী ঙাকথোকপা অমসুং থুনা ফহনবা হায়বসিসু য়াম্নমক মরুওই। অদুনা অসিগুম্বা অশোকপশিংগা মরী লৈননা চাংয়েং কয়ামুক পাঙথোল্লম্মী। অহানবদা উচি অমগী শোল্লবা মফমদা গ্রোথ ফেক্টর হাপ্লবা স্মার্ট বেন্দেজদু নপশিন্দুনা য়েংবদা ইচম চম্বা বেন্দেজ য়েৎপদগী শরুক অহুম হেন্না থুনা টিস্যুশিং শেমগৎপা থেংনরম্মী। অতোপ্পা অমদনা এন্টি বাইওটিক য়াওবা বেন্দেজ শীজিন্নরম্মী। মসিদনা মহীক্তগী য়াম্না ফজনা ঙাকথোকপগী খুদম ফংলম্মী। বেন্দেজসিদা য়াওরিবা মাইক্রোকন্ত্রোলরনা থাদোরকপা করেন্টনা শাগৎহনবদুনা হীদাক্কী মগুণ হন্থহনবসু তৌরমদে হায়না তমায়োলনা ফোঙদোক্লি।

নেব্রস্কা, হরভর্দ অমসুং এম আই টিগী থিজিল্লোইশিংনা পুথোরল্লিবা বেন্দেজসি অতৈ অতোপ্পা শাশিংদা চাং য়েংলবা তুংদা অমুক মীওইবদা য়েংখিগদৌরি। মসিদা চহী খরদি চঙখিগনি। অদুবু মখোয়গী বেন্দেজসি ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন্না অয়াবদি পীখ্রবনি। মখা তাবা ওইনা মখোয়না স্মার্ট বেন্দেজসিগা লোয়ননা তোপ-তোপ্পা সেন্সরশিং হাপ্তুনা ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং, অশিন-অয়াক (পি ঐচ) কী চাং অমদি অতৈ অতোপ্পা ইন্দিকেটরশিং উনশাদগী ওন্ননবগী পান্দম থল্লি।



গ্রাফিন ওক্সাইদকী ট্রকচর

আই এ এস এস টি গুৱাহাটিগী কাঙবুনা পুথোরল্লিবা স্মার্ট বেন্দজসি চিটোসানদা য়ূম্ফম ওইবা হায়দ্রোজেলগা লোয়ননা করকুমিন অমসুং গ্রাফিন ওক্সাইদ তৈশিল্লবা লমশিং মচেৎ অমনা শেম্বনি। চিটিন হায়বসি সমুদ্রদা ফংবা খজিং, ৱাইখুগী মকু (এক্সোস্কেলেটন) অমসুং উয়েলশিংদা য়াওবা সেলুলোজ অমনি। চিটিনবু কেমিকেলগী পাম্বৈনা শেমদোক শাদোল্লবা তুংদা চিটোসান ফংবা ঙম্মী। চিটোসান্না কোলেষ্টরোল অমসুং হকচাংগী অরূম্বা হন্থহল্লি হায়বগী পাউদম লৈ। চিটোসান দ্রেসিংসি করিগুম্বা মতমদা ইমরজেন্সিগী মতমদা হকচাংদগী থোরকপা ঈ খক্ননবা শীজিন্নৈ। ইচম চম্বা লশিংনা অশোকপা মফমদা নপ্পা মতমদা অশোকপা মফমদা লশিংনা নপশিনখিবদগী খুদোংচাদবা থেংনৈ। অদুবু থিজিল্লোয়শিংনা পুথোরল্লিবা স্মার্ট বেন্দেজসিদদি চিটোসান য়াওবগা লোয়ননা কম্প্রেস তৌবা মরম্না অশোকপা মফমদা নপশিনহনবা তৌদে। লশিংনা মহি ওইবা পোৎ চুপশিনবা ঙম্বগী মগুণাসনা নানোমেটারএল অমাদ এন্টবাইওটকাশং হাপ্পদা হেন্না খুদোং চাহল্ল। অদুনা থিজিল্লোয়শিংনা গ্রাফিন ওক্সাইদকী নানোমেটরিএলশিংনা স্মার্ট বেন্দেজগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনবগা লোয়ননা পাল্লিবা হীদাকশিং হাপ্পা য়াহল্লি।

করকুমিন হায়বসি য়াইঙংদা য়াওবা হকচাংদা কান্নবা পীবা কেমিকেল অমনি। মসিবুসু থিজিল্লোয়শিংনা মহীক হাৎননবা হীদাক ওইনা শীজিন্নরি। মখোয়না লেবতা পাঙথোকখিবা চাংয়েংদা ***ষ্টাফাইলোকোকস ওরিস*** অমসুং ***ঈ কোলাই*** হায়রিবা বেক্টিরিয়াশিং শীজিন্নখি। স্মার্ট বেন্দেজসিদা চিটোসানখক্তং হাপ্পদা এন্টিবাইওটিক ওইবগী মগুণ থোইদোক্না থেংনরমদে অদুবু গ্রাফিন ওক্সাইদ নৎত্রগা করকুমিন হাপ্পা মতমদদি মথক্তা পনখ্রিবা বেক্টিরিয়াশিংসি শিবা থেংনরম্মী। অদুবু গ্রাফিন ওক্সাইদ অমসুং করকুমিন পূন্না হাপ্পা মতমদনা মহীক হাৎপগী মগুণ হেন্না হেনগৎলম্মী। মসিগী মখা তারকপদা থিজিল্লোয়শিংনা উচিশিংদা অমুক চাংয়েংশিং পাঙথোকখি। মশাদা অতম্নবা শোকহল্লবা উচিশিংদা ***এস ওরিস***না ইনফেক্ট তৌহল্লম্মী। অসুম্না নুমিৎ হুমনি লৈরবা মতুংদা গ্রাফিন ওক্সাইদ নৎত্রগা করকুমিন য়াওরবা স্মার্ট বেন্দেজশিং নপশিল্লম্মী। নুমিৎ ২১গী তুংদা অশোকপা মফমশিংদু য়াম্না নীংথিজনা ফাজিল্লম্মী। অদুবু গ্রাফিন ওক্সাইদ অমসুং করকুমিন অনীমক হাপ্পা মতমদদি ফাজিনবগী চাং হেন্না থুরম্মী। হৌজিক্কী ওইনদি হীদাক থাদোরকপগী চাংসি কন্ত্রোল তৌবা হায়বদি চাং নাইনা হীদাক থাদোকহনবা ঙমদ্রি। চাং নাইনা হীদাক থাদোকহন্নবগীদমক থিজিল্লোয়শিংনা মখা তানা অতোপ্পা নানোমেটরিএলশিং হাপ্লগা চাং য়েংখিগদৌরি।



নেব্রস্কা, হরভর্দ অমসুং এম আই তিগী থিজিল্লোয়শিংনা পুথোকপা বেন্দেজ



আই এ এস এস টি, গুৱাহাটিগী দেভসিস চৌধুরি (ফেল্লিবা) অমসুং মহাক্কী কাঙবু